### দুরান্দ কপকী ইম্ফাল দর্বি মেটচ দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা হৌদোকখ্রে

# নেরোকা এফ সীনা ট্রাও ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ১৩১ শুবা ইদিসনগী ঙসি খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইম্ফাল দর্বি মেটচতা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা নেরোকা এফ সীনা ট্রাও এফ সীবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা আর্মিগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংসু শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা পাপোন অমদি গুরু রিয়ুবেন অনীনা দুরান্দগী থিম সোং মীয়ামদা লান্থোকখিবগা লোয়ননা নেসনল ইন্টিগ্রেসনদা থিম ওইবা 'ফ্যুজন ওফ ইন্দিয়ন কলচর: এন ইপিটোম ওফ সাইনর্জি' হায়না মিংথোনবা কলচরেল প্রোগ্রাম অমসু মীয়ামদা উৎখি।

গ্রুপ সীগী ঙসি নেরোকা অমদি ট্রাও অনীনা শান্নখিবা মেটচকী অহৌবা মিনট ১৫ রোমদি লম্বা মান্ননা শান্নখি। নেরোকাগী তাংভা রগুইনা শান্নবগী ১৭ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ট্রাওগী খানঙম হোরামনা চেন্দুনা পুরকপা বোল অমা খায়দোরক্লবা মতুং কেপ্টেন কোমরোন তুর্সুনোভনা নীংথিনা ফারবা মতুং গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ১৯ শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং পাওগৌমাংনা ওইরোমদগী ৱাংনা থাদরকখিবা বোল অমগী মতেংদগী থোমিও এল শিমরেনা হেদিং তৌশিন্দুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা নেরোকাগী অনীশুবা গোল চনখিবগা লোয়ননা ট্রাওবু ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা নেরোকাগী কাউন্টর এটেক অমদা ট্রাওগী দিফেন্দর মানস গোগোইনা অশোয়বা অমা তৌরুবদগী অহাঙবগী খূদোংচাবা লৌদুনা জোন ছিদিনা গোল ওন্থোক্তুনা নেরোকাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি। মখা তাবা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী নেরোকানা ট্রাওবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা রেফরিনা ট্রাওগী বুআনথাংলুন সামটে অমদি নেরোকাগী থোকচোম জেমস শান্নবগী ৩৫ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্বুক তৌখি। মেটচ অসিদা নেরোকাগী তোনদোম্বা নাওরেমনা প্লেয়র ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী ভি ৱাই বি কে ষ্টেদিয়মদা গ্রুপ বিগী শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা ইন্দিয়ন নেভি ফুটবোল টিমবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

বিক্রম প্রতাপনা অহানবা হাফকী ইঞ্জুরি টাইমদা মুম্বাই সিটিগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অলেকজেন্দর জেমস ষ্টেৱার্দনা শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনখি। লালিয়নজ্বালা চাংটেনা মখা তানা শান্নবগী ৮৯ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল ২ অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

ইন্দিয়ন নেভিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অদর্শ মতুমমালনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

### ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ হৌদোকখ্রে

# ৱাই দব্লিয়ু সীনা আই সী এস এবু অহৌবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শীন্দুনা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগকী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ওইরিবা ১৩শুবা অম্ফা সিনিয়র ৱিমেন্স ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩ ঙসি লম্লোংথোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবনা আই সী এস এ ইরেংবমবু অহৌবা মেটচতা ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

ইরেংবম টিমগী কেপ্টেন ওইনাম ববিতানা শান্নবা হৌরকপগী ১১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ৱাই দব্লিয়ু সীগী নমরাম লমঙানবী চনুনা শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা স্কোর মান্নরবা মতুং অহানবা হাফ লোইরমদাই লমঙানবীনা শান্নবগী ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিন্দুনা আই সী এস এবু ২-১দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

মখা তানা টিম অনীনা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা ফংনরবসু গোল ওন্থোকপা ঙম্নদবদগী য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবনা আই সী এস এ ইরেংবমবু ২-১দা মায়থীবা পীখি।

হৌদোকপগী থৌরমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমনা অথোইবা মীথুংলেন, রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ সুরকুমার রোইনা থৌরম মপূ অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট দি বি কোৱরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না টিম ৭না শরুক য়ারি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা ইরাই নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা নুংথিল পুং ১.৩০দা ক্রিপসা নাওরেমথোং অমদি ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈএসয়ু) ৱাঙ্খৈ থেংনরগনি। অনীশুবা মেটচতা নুংথিল পুং ৩.১৫দা য়ুনাইটেদ পুখাও স্পোর্টস এসোসিএসন (য়ু পি এস এ) অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ইন্দিয়ানা অহানবা ও দি আইদা জিম্বাৱেবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখ্রে

জিম্বাৱে, ওগষ্ট ১৮ (এজেন্সী): শুবমান গিল অমদি শিখর ধৱনগী ওপনিং পার্টনরশিপনা আউট ওইদনা লৌখিবা রন ১৬৩গী মতেংনা ইন্দিয়ানা জিম্বাৱেবু ৱিকেট ১০দা ঙসি হারারে স্পোর্টস ক্লবতা শান্নখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনলগী অহানবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন কে এল রাহুলনা টোস ঙমদুনা অহানবা বোলিং খনখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা জিম্বাৱেনা ওভর ৪০.৩দা ওল আউট ওইদুনা রন ১৮৯ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী ইন্দিয়াগী বোলিংদা দিপক চাহর, অক্সর পটেল অমদি প্রসিদ কৃষ্ণনা ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীদুনা ৱিকেট ৩/৩ লৌবা ঙমখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ইন্দিয়াগী বেটিংদা গিল অমদি ধৱনগী ওপনিং পার্টনরশিপনা ওভর ২৫.২ ফাওবদা রন ১৫০ লৌবা ঙমখি। মখা তানা মখোয় অনীনা আউট ওইদনা ওভর ৩০.৫দা অপীবা টার্গেট ১৯০ দগী রন ২ হেন্না লৌদুনা জিম্বাৱেবু ৱিকেট ১০দা মায়থীবা পীখি।

ইন্নিংস অদুদা শুবমান গিলনা বোল ৭২দা রন ৮২ লৌবা ঙমখি অদুগা শিখর ধৱননা বোল ১১৩দা রন ৮১ লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী ঙসিগী মায় পাকপা অসিনা মেটচ অহুম শান্নগদবা ৱান দে ইন্টরনেসনল সেরিজ অসিদা ১-০দা মাংজিল থারি।

# মেদল ফংলকখ্রবা কারাটে শান্নরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচএনএস): শৈকো কাই কারাটে দো ইন্টরনেসনলনা শীন্দুনা ন্যু দেল্লীগী জনকপুরিদা ওগষ্ট ১৩ অমদি ১৪দা পাঙথোকখিবা ইন্দিপেন্দেন্স কপ কারাটে চেম্পিয়নশিপতা মেদল লৌরকখ্রবা নেসনল শিটো-রু কারাটে দো একাদেমিগী শান্নরোয়শিংবু ঙসি মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)না শীন্দুনা কেক্রুপাৎতা লৈবা ওর্গনাইজেসন অসিগী শঙলেন্দা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি টি এম সুফিয়ান (চহী ১১গী কুমিটি ইভেন্ট), জৈদ (চহী ৭কী কুমিটি) অমদি এম দি উমর (চহী ৮গী কুমিটি) নি।

অতোপ্পা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুনা এম দি ইদরিশ খান (কেজি ৬৫কী কুমিটি) অমদি শেখ টালিবুর (কেজি ৫০গী কুমিটি) নি।

ওফিসলশিং অদুনা এম দি মিলন শাহ (কোচ), এম দি ৱাহিদুর (মেনেজর), এম দি রফিসউদ্দিন (ইন্দিয়া চীফ) অমদি এম দি ফিরোজ খান (মণিপুর চীফ) নি।

থৌরমগা মরী লৈননা এম এম দব্লিয়ু ওগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট কোরিময়ুম বোবোইনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়না খঙনরিবা ষ্টেট অসিগী মিংচৎ পুরকপদা মীতৈ পাঙল লক্তুগী শান্নরোয় কয়া অমসু খুমাং চাওশিন্না চঙশিল্লক্নি হায়বা তাক্লি হায়খি।

### এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগ

# দি য়ু সী চরাংপাৎ অমদি এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম দ্রো ওইখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচএনএস): দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন থৌবালনা শীন্দুনা কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা এল মেমচা মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা দি য়ু সী চরাংপাৎ অমদি এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম ২-২দা দ্রো ওইখ্রে।



চরাংপাৎকী গোল অনী অদুনা টি ন্যুটন অমদি শিতলনা শান্নবগী ১৩ অমদি ৪৯ শুবা মিনটতা চনখি। সঙ্গাইয়ুম্ফমগী গোলশিং অদুনা সমির খান অমদি অসিফখাননা শান্নবগী ১৭ অমদি ৩৬ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ঐচ কে কে এস এ হাওখা কিয়ামনা এস ৱাই দি এ অথোকপমবু লাকচনা ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঐচকেকেএসএগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম দেভিলনা শান্নবগী ২০ অমদি ৩৫ শুবা মিনটতা গোল ২ অদুগা এম দিলবাগ, টি দোনাল্ডো অমদি ঐচ সুর্ভিনা শান্নবগী ৪২, ৭৭ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জুরি টাইমদা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

এস ৱাই দি এগী গোল ২ অদুনা হিজম রোনাল্ডোনা শান্নবগী ৪৮ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। মেটচ অসিদা রেফরিনা হাওখাগী রাহুল অমদি অথোকপমগী ৱারনবু য়েলো কার্দ অমমম্বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা থাংজ নুমিৎতা মেটচ অনী শান্নরগনি। অহানবা মেটচতা দব্লিয়ু ৱাই এফ সী ৱাংজিং অমদি ঈ এল ৱাই এস এ ফৌদেল শান্নরগনি। অনীশুবা মেটচতা এস দব্লিয়ু ৱাই সী চরাংপাৎ অমদি এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম লম্বা তৌনরগনি।

# আইকোন জিম শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা কৈশামথোং হোদাম লৈরক মনিং টিদ্দিম রোদ ওপোজিট ওইল পম্পদা নৌনা শেমগৎপা আইকোন জিম ঙসি শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা মিষ্টর ইন্দিয়াগী টাইটল ফংলকখ্রবা মোমোতোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, জিম অসিনা খুন্নাই অসিগী হৌরক্লিবা নহা-অহল খাক্তনা মশা-মউ ফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তারদুনা মশা-মউ ফবা হায়বসি মপান্থোংগী ফজবদু নত্তে, তিঞ্জং-কায়জংদবা অফবা ৱাখল্লোন চেনবা অদুবুনি। শাজেল তৌবা হায়বসি কনাগুম্বা মী অমনা খূদাং পায়দুনা তৌহনবা য়ারোই। ঐগী-ঐগী ৱাখল্লোনদা হকচাং ফনিংবা, শাজেল তৌনিংবগী ঈহুল চেনবা মথৌ তাই হায়খি।

# রোৱিং এসোসিএসননা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস): গুজরাটতা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬ শুবা নেসনল গেমসকী রোৱিং মশান্নদা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটিনা মোইরাংগী তাকমু ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ট্রায়ল তৌদুনা থা অসিগী ১৭তা পাউচে খরদা সেলেক্সন লিষ্ট থোক্লকখিবা অসি মণিপুর রোৱিং এসোসিএসননা চৎনবা য়ারোই হায়না এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিগীদমক এ এম ও এ ওফিসতা মীটিং অমা পাঙথোক্লবা মতুং টেক্নিকেল এক্সপর্টশিং ৱাৎপদগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমখিদবনি। হাথু-হাথুনা সেলেক্সন লিষ্ট থোক্লকপা অসিনা অরানবা পান্থৈ শীজিন্নদুনা সেলেক্সন তৌরব্রা হায়না গার্জিয়ানশিংনা ৱাকৎলকপসু লৈরে হায়রি।


**BOARD OF SECONDARY EDUCATION**
**MANIPUR**
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION
Imphal, the 18th August, 2022

No. Ex/62/71 (Vol-I) Pt/749 : It is notified for information of all concerned that the HSLC Compartmental Examination, 2022 is scheduled to be commenced w.e.f. 07/09/2022. The detailed information along with Examination Programme will be intimated later on.

Sd/- L. Mangi Singh
Controller of Examinations
HL-P/3904/19

SPOKEN ENGLISH
Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary
Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal
(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)
Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)
Contact Numbers: 8132904426, 9362150894
HL-B/7775/2/8-28/9

SMART
TUTORIAL CENTRE
SINGJAMEI SUPER MARKET
ADMISSION OPEN
WEBSITE: https://smarttutorial.org/
BOSEM/COHSEM/CBSE Separate class
SCIENCE, ARTS & COMMERCE
MEDICAL, ENGINEERING & NDA course for 2023
16th FOUNDATION COURSE 2022 (2nd batch) FOR CLASS IX,X,XI &XII
CLASS START : 10th, 17th, 24th August 2022
HOSTEL+VAN SERVICE available for both boys & girls
FREE supply of printed questions & answers, weekly exam and MEGA TEST
ALL SUBJECTS
CALL: 8787601123, 03857966211
Experience Teachers from (FORMER & WORKING IN) Morning 6:30 to 8:00 am / Evening 4 to 7:20 pm
CBSE SCHOOL: UNACCO, MARIA MONTESSHRI, KV Lamphelpat, KANAN DEVI & SISHU SIKSHA NIKETAN
BOSEM/ COSHEM: MECI, COMET, XTRA EDGE, HERBERT, IPS & STANDARD ROBERT
HL-B/7728/10/7-6/9(alt)


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 547**

**GM Mert Erdogdu (2415) - CM Artyom Manukyan (2140)**
**Titled Tue 12th Jul Late chess.com INT (6), 2022.07.12**

1.e4 c5 2.Nf3 d6 3.d4 cxd4 4.Nxd4 g6 5.Nc3 Nf6 6.Be3 Bg7 7.f3 O-O 8.Qd2 Nc6 9.Bc4 Bd7 10.h4 Rc8 11.Bb3 Ne5 12.O-O-O Nc4 13.Bxc4 Rxc4 14.h5 Nxh5 15.g4 Nf6 16.Nb3 Re8 17.Bh6 Bh8 18.Bg5 b5 19.Rh4 b4 20.Nd5 Nxd5 21.exd5 Qc7 22.Rdh1 Rc8 23.Na1 Qa5 24.Kb1 Rd4 25.Rxh7 Be5 26. ...

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 546 Ans. :**

21. ...Qg4+ The black queen deflects White's bishop away from protecting the square g2, the square e4, the square d5, the square c6, the square b7 and the square a8. Opening the line from g2 to a8. 22. Bxg4 Rxg4+ The black rook captures White's bishop, which was defending the square f3. 23. Kh1 Bg2+ 24. Kg1 Bf3# With a discovered check by the black rook. Pillsbury's mate
0-1


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST**
**Ref :- Mut. Case No. 693/SDC/Hng/IE/2022**
Waikhom Loyangamba Meitei S/o W. Nageshwor Meitei of Mongjam Mamang Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Chingakham (N) Waikhom (O) Shakhihal Leima W/o Waikhom Nageshwor Meitei of Mongjam. -OP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Dated : 17/08/2022

U/S 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: ৪-অচানবীগৈদা লৈবা অরিবা পাট্টা নং: ৪, ৮৭ অনৌবা পাট্টা নং: ৮৫, দাগ নং: ৫৯, এরিয়া .১৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চখদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East
HL-P/3906/19

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, PATSOI**
**Ref :- Mut. Case No. 655/SDC/IW(P) of 2022.**
Naorem Damodar Singh S/o (L) Naorem Ibomcha Singh of Wahengbam Leikai. -Petitioner
-Vs-
(L) Naorem Ibotombi Singh S/o (L) Naorem Ibomcha Singh of Wahengbam Leikai. -O.P. Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
16th August, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তহসিলগী খুল নং 94-Langjing গী পাট্টা নম্বর (1) 200(O)123/924(N), (2) 138(O)123/925(N), (3) 138(O)123/926(N) দাগ নম্বর (1) 84, (2) 271, (3) 551 গী পোইন্ট (1) 1.22 acre, (2) 0.80 acre, (3) 0.62 acre চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 23/08/2022 ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চখরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/3813/19

5 to 10% DOWN PAYMENT FOR 2WHEELER, VAN & AUTO
LOAN AVAILABLE
EWMPLOYMENT NEWS: Car Driver, Security, Mechanic&Gr-IV, Legal Advisor, Computer Operator, Chawkidar
OFFICE ASST. (KAKCHING, SAMUROU, NAMBOL, THOUBAL, MOIRANG,)

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING, IMPHAL WEST, MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.
HL-B/7804/19/8-16/9(alt)


Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com